ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কোংপাল পোরোম্পাৎতা লৈবা হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টরদা পাঙথোকখিবা নুমীৎ হুম্নী চুপ্পা চত্থগদবা সেন্টর অসিগী ৪৯শুবা ফাউন্দেসন দে থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা

খাঙবোক এ সীদা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা খুন্দ্রাকপম মেঙ্গোর মঙাংনা খাঙবোক এ সীগী মনুং চন্না লৈবা খৃষ্টিয়ন লাইনিং চৎপা মীওইশিংদা খৃষ্টমাসকা মরী লৈননা অচা-অথক্কী পোৎলমশিং খুদোল তমখিবা

ক্ষেত্রিগাও এ সীগী লৌফমশিংবু ফৌ লোকপা লোইরবা মতুংদা হাংহন্দুনা থম্নগী মহুৎতা অশং-অমান্তনা থনবা চীঙাক্তা মীপাল তাঙদবা এ সী অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা এম এল এ ইন্দ্রজিৎনা নহারুপ মখাপাৎ লৌকোলদা নীংথম মরূ-মরাংশিং হুনখিবা

কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী মীখলদা ককচিং এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিদা আই এন সীগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা য়েংখোম নিলাচন্দ্রগী মীখলগী কেম্পেন চত্থখিবা

খৃষ্টমাসকী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা খৃষ্টিয়ন লাইনিং চৎপশিংগী শেংলবা খৃষ্টমাসকী কুম্মৈনা লাকপগা ইরোইননা ৩৫-খাঙবোক এসেম্বলি কন্সটিট্যুন্সিদা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর খুন্দ্রাকপম মেঙ্গোর মঙাংনা খাঙবোক এ সীগী মনুংদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা খৃষ্টিয়ন লাইনিং চৎপা মীওইশিংদা মপু ইবুংঙো খৃষ্টগী মফমদা কৎনবা অচা অথক্কী পোৎলমশিং অমদি শেলগী অঙম্বা মতেং পাংখ্রে হায়রি।

মতেং পাংবগী খোঙচৎ অদুগা মরি লৈননা মীয়ামদা মেঙ্গোর মঙাংনা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা হায়, শেংলবা কুম্মৈ অসিনা লাকপদা লাইনিং লাইশোন, কাংলুপ-ফুরুপকী খেন্নবা লৈতবা, ঐগী-মাগী লৈতবা ফুরুপ খুদিংমক নুংশি চান্নবা খেন্নবা লৈতবা ওইরসনু অমদি মণিপুরগী অপুনবা শক্তম ঐখোয় পুম্নমক্না ঙাকমিন্নদুনা ঈং-তপ্পা খুন্নাই অমা পুরক্কবা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরসি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, খৃষ্টমাস কুম্মৈনা লাকপদা সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম), মণিপুর পিপলস দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট (এম পি দি এফ), ওল মণিপুর ইথনিকেল সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসন (অমেস্কো) অমসুং পাৎশোই কেন্দ্র দিভেলপমেন্ট কাউন্সীলগী মায়কৈদগী লমদমসিদা লৈরিবা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

শিৎ-শেংখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): এন পি সী সী লিমিটৈদ গুৱাহাত্তিগী কোর্পোরেট সোসল রেস্পোন্সিবিলিটি প্রোগ্রামগী মখাদা ঙসি অয়ুক খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলগী অকোয়বা মফমশিং শিৎ শেংখ্রে। শিৎ শেংখিবা অদু এন পি সী সী লিমিটৈদকী জোনেল মেনেজর (এন ঈ জোন) ডা. ৱাই লমজিংবনা লুচিংলগা ওফিসল কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি হায়রি।

য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : ক্লাস টেন তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী ওইবা নেসনল টেলেন্ট সর্স এগজামিনেসন (ষ্টেট লেভেল নেসনল টেলেন্ট সর্স এগজামিনেসন) ২০২১-২২গী ষ্টেজ ৱান অমসুং ক্লাস নাইন তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী ওইবা ষ্টেট টেলেন্ট সর্স এগজামিনেসন ২০২১ দিসেম্বর ৪দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু এদ্যুকেসনল সর্ভে দিভিজন, এন সী ঈ আর টি ন্যু দেল্লীনা মখা তাবা নোটিশ অমা থোক্লিবা ফাওবা য়ৈথোক্লে। এগজামিনেসন অসি পাঙথোকপগী মতম নৌনা লেপ্পবা মতুংদা লাউথোক্কগনি। লোয়ননা এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিজননা মরম ওইরগা লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুলশিংদা ক্লাস আইট তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী ওইবা নেসনল মিন্স কম মেরিট স্কোলারশিপ এগজামিনেসন ২০২১সু কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারীদা ৩০দা পাঙথোক্কনবা নৌনা মতম লেপ্লে হায়না এস এল এন টি এস ঈ/এস টি এস ঈ/এন এম এম এস ঈ মণিপুরগী ষ্টেট লাইএজন ওফিসরসু ওইরিবা এদ্যুকেসন (এস/ভি)গী এদিসনল দিরেক্টর বিসেশ্বর খুমুকচমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

উ পাম্বী থাখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): নেসনল প্রোজেক্টস কন্সত্রক্সন কোর্পোরেসন (এন পি সী সী) লিমিটেদ, নোর্থ ইষ্ট জোনগী জেনরেল মেনেজর ডা. য়েংখোম লমজিংবনা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমনা ঙসি অঙান চীং ইকো পার্কতা চঙশিল্লিবা সষ্টেনেবল দিভেলপমেন্টকী মুভমেন্ট শৌগৎপা ওইনা উ পাম্বী ১০ থাখ্রে। উ পাম্বীশিং অদুবু হিংহন্নবা মেনেজমেন্ট কম্মিটিদা মতেং ওইনবগীদমক লুপা ১০,০০০ পীরম্লে হায়রি। উ পাম্বী থারম্বা অমদি লুপা ১০,০০০ পীরম্বগীদমক এল্লাইয়েন্স ফোর দিভেলপমেন্ট অল্টর্নেটিভ মণিপুর (অদাম) ককচিংগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

নম্ফুদা শেল অমদি নোংমৈনা ভোট খোল্লগা কাগদবা নত্তে : রতনকুমার

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : ৱাঙাং-শাঙাং অমদি লমচৎ-শাজৎনা মীওইবগী মচৎ লেপ্পনি। নম্ফু সাসনদা, শেল অমদি নোংমৈনা ভোট খোল্লগা কাগদবা নত্তে হায়না ময়াং ইম্ফাল এ সীগী হান্নগী মিনিষ্টর অমদি লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন অসিদা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা ডা. খুমুজম রতনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ময়াং ইম্ফাল ব্লোক কম্মিটি অমদি ময়াং ইম্ফালগী কোঙ্গ্রেস মহিলা কম্মিটিগা খুৎশম্নদুনা ময়াং ইম্ফাল খুমন মিনি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা নুপীশিংতগী ওইবা নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা, মণিপুরদা লাক্লিবা ইলেক্সন অসিদা চৎনবি অমা ওইনা বি জে পি পার্টিগী এম এল এ, মিনিষ্টর অমদি অতৈ ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট কয়ানা শেল অমদি পৱার কা হেন্না শীজিন্নদুনা ইলেক্সনদা মীশি-মীনা য়াওনা অচৌবা খৎনচৈনবগী থৌদোক কয়া থোকহনখ্রে। বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা ওটোনোমস বোদি অমা ওইনা লৈরিবা পুলিস দিপার্টমেন্ট অসিবু পায়শিন্দুনা মখোয়না লান্না শীজিন্নদুনা লৈরিবা অসি লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। থৌদোকশিং অসিদা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী ওইনসু তোঙান-তোঙানবা থৌদোক কয়া থোকখিবা লৈখ্রে। মসিদা নোংমৈনা ভোট খোম্বা, শেল অমদি পৱার শীজিন্নদুনা মীয়াম্বু হুমদুনা পুনবা হোৎনরিবা অসি মীয়ামনা য়াগদবা নত্তে। ঙরাং নুমীদাং এ সী অসিগী কোঙ্গ্রেসকী সোসল ৱার্কর অমা ওইরিবা অল্টাফনা হাউস কেম্পেন চৎলিঙৈ মতমদা মফম অনীদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা লাইফ এটেম্প তৌরম্লিবা অসি কন্দেম তৌই। লমদম অসিদা ক্রিমিনেলশিংনা পোলিটিক্স তৌবগুম ওইরক্লিবা অসি লৈঙাক অসিনা মতম চানা শেন্নহৌদবনি। লাক্লিবা ইলেক্সন অসিদা ঈং-তপ্পা, দিভেলপমেন্টতা পোলিটিক্স তৌদুনা লৈবাক অসি অফবা মায়কৈদা পুরক্কবা পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়খি। মীফম অদুদা গুন্দা রাজ য়ানিংদে, মীয়ামদা নোংমৈ কাপশিনগনু, অল্টাপতা নোংমৈ কাপশিনবা মী ফাগৎলু, মীয়াম্না শান্তি পাম্মী হায়বা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি হায়রি। অমরোমদা ঙরাং কোঙ্গ্রেসকী সোসল ৱার্কর অল্টাফনা হাউস কেম্পেন চৎলিঙৈ মতমদা নোংমৈ কাপশিল্লকপবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুনদা ৱাকৎ মীফম অমসু পাঙথোকখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা নোংমৈ কাপ্পুনা অকি-অখঙ পীবা য়ানিংদবগী প্লে কার্দ কয়া শীজিন্নখি হায়রি।

বোর্দ ওফ এদমিনিষ্ট্রেটর ১ হাপত্রবদি খোঙজং চত্থরগনি : নুতনচন্দ্র

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সী)গী হৌখিবা টর্মগী মতম অসি কুমজা ২০২১গী জুন ১৪দা লোইখ্রবসু মীখল পাঙথোকপগী মহুৎতা লৈঙাক্না চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা এদমিনিষ্ট্রেটর অমা হাপ্পলগা নমশিল্লগা থম্বা অসি য়ানিংদে। মরম অদুনা লৈঙাক্না দিসেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা আই এম সীগী বোর্দ ওফ এদমিনিষ্ট্রেটর অমা হাপত্রবদি অকনবা খোঙজং চত্থরগনি হায়না আই এম সীগী হান্নগী কোর্পোরেটর হিজম নুতনচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

আই এম সীগী কোর্পোরেটর রুমদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা হান্নগী কোর্পোরেটর হিজম নুতনচন্দ্রনা হায়খি, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী হৌখিবা টর্ম অসি কুমজা ২০২১গী জুন ১৪দা লোইখ্রবা মতুংদা লৈঙাক্না এদমিনিষ্ট্রেটর অমা হাপ্পকখিবা অসি থা ৬ হেল্লে। অদুবু মণিপুর ম্যুনিসিপালিটিজ এক্ট ১৯৯৪গী সেক্সন ২০৫দা য়াওরিবা ৱাফম অসিগী মতুংইন্না এদমিনিষ্ট্রেটর হাপ্পা য়াদে। করম্বা মতমদা এদমিনিষ্ট্রেটর হাপকনি হায়বদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন অসি দিজোল্ভ তৌরকপা মতমদা হাপ্নে। মদু নৎত্রবদি হাপ্পা য়াদে। কোর্পোরেটরশিংগী চহী ৫গী টর্ম মতম অসি লোইরবনিনা ইলেক্সন মতম চানা তৌবীয়ু হায়না হান্নগী কোর্পোরেটরশিংনা হায়জবনি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগসু অনীরক উনদুনা হীরমসিগী মতাংদা ৱারী শাখ্রে। মরী লৈনবা ওথোরিটিদসু মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে। সেক্সন ২০৫গী মতুংইন্না বোর্দ ওফ এদমিনিষ্ট্রেটর অমা থম্বীরো অমসুং কম্মিটি অমা শেম্বীরো হায়জবনি। কুমজা ২০০০দসু জি মোইরাংজাও কবুইনা চ্যেরপর্সন অমসুং বি শান্তি শর্ম্মানা ভাইস চ্যেরপর্সন ওইদুনা মতমদুদা চহী ১গী ময়াদা টর্মগী মতম লোইরবা মতুংদা এদমিনিষ্ট্রেটর অসি চ্যেরমেন হাপ্পগা মীওই ১০না শাবা বোর্দ ওফ এদমিনিষ্ট্রেটরনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল চলাইহনখি। লৈঙাক্নসু মতম লৈরিঙৈদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মীখল পাঙথোকপীরো। এসেম্বলী মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ত লাক্কদবসু কুইদ্রে। হৌজিক ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন অসি মপু পান্দ্রে। মরম অসিনা লাক্লিবা দিসেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্না মতিক চাবা থবক লৌখৎলক্ত্রবদি খোঙজং চঙশিন্ননবা শেম-শারে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

নাকল নাম্মগী ওইনা থবক তৌহন্নিংদে : নিলাচন্দ্র

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): মীখলগী নোটিফিকেসন থোকপা লৈত্রি, অথুবা মতমদা থোরক্লগনি খন্না মীয়াম্না ভোট খোম্বগী থবকশিংদি পাক শন্না চত্থনরে। লাইবক থীবদি হৈরোক্তা মীখলগা মরী লৈননা থোকপা থৌদোক অমদা মহৈরোয় অমা হাৎপীখিবগী থৌদোক অসি য়াম্না লাইবক থীবা থৌদোক অমনি। মণিপুরদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা নাকল নাম্মগী ওইনা থবক তৌহন্নিংদে হায়না ককচিং এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিদা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)কী মীরেপ ওইনবা থৌরাংলিবা য়েংখোম নিলাচন্দ্রনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলী মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকপা ইলেক্সন কেম্পেন অমদা নিলাচন্দ্রনা মখা তারদুনা হায়খি, লৈঙাক হায়বা অসিদা পোলিটিকেল পার্টিগী খেন্নবা থমদনা মহাক্কী মীয়াম্বু মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংহঙ্গনিংই। ঙসিগী লৈঙাক অসিদদি মদু উদে। মসিমক্তি নীংবা কায়নিংঙাইনি। মতুং তারকপদা হৈরোক্তা থোক্লিবা লাইবক থীবা থৌদোক অসিগুম্বা অমুক হন্না থোকহন্দনবা লৈঙাক অসিনা অকনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা থবক লৌখৎপীয়ু। ঐখোয় খুদিংমক্লসু মীখলগা মরী লৈননা লাইবক থীবা হৈরোক্কী থৌদোক অসিগুম্বা অমা অমুক হন্না মণিপুরদা থোকহন্দনবা পুন্না ৱাখল তামিন্নসি অমদি হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

নিলাচন্দ্রনা মখা তারদুনা হায়, ককচিং এ সীগী মীয়াম্না মহাকপু য়াম্না নীংথিনা শৌগৎপীবগী মমি চাউনা তাবনা মীখল অসিদা মহাক্না শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়না থাজবা লৈ। মণিপুরগী অতৈ লমদমশিং ককচিং এ সীগা তোপ তোপ্পা খেন্নবা খরা লৈ। ককচিংদদি ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইবা মীখল অমা শোয়দনা ওইগনি। মনি অমসুং মসল পৱার য়াওদনা তংদু লৈতানা পাঙথোক্কনি খল্লি। মীয়াম্নসু মাগী মাগী অপাম্বা অমসুং অফবা মীওইদা ভোট শোয়দনমক পীরক্কনি। লৈবাক শেম্বা হায়বা অসি অফবা মীওই চঙই হায়বা ৱাখল্লোন্দা মীয়াম্নসু মহাকপু শৌগৎপীরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

রোহিট মীহাৎ য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলী মীখলগী মাঙওইননা থোকপা খৎন-চৈনবগী থৌদোক্তা থা অসিগী ২০দা হৈরোক্তা বি জে পি অমদি কোংগ্রেস ৱার্করশিং খৎন-চৈনবগী থৌদোক্তা নিংথৌজম রোহিটপু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা থৌদোকপু য়ানিংদে, অথুবা মতমদা মীহাৎপা পুথোকউ হায়দুনা ঙসি হৈরোক এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী সিখোং কৈথেল কম্যুনিটি হোলদা মহৈরোয় অমদি মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয় পি রনেলদ্রজিৎনা হায়খিবদা, মহৈরোয়বশিংবু ভিক্টিমাইজ তৌবীনু। ভোটকা মরী লৈননা এন রোহিটপু মীহাৎ থিনা হাৎতোকপীখিবা অসি য়ানিংদে হায়রদুনা অথুবা মতমদা মণিপুর লৈঙাক্না অচুম্বা পুথোক্কদবনি হায়খি।

লমদম অদুগী মৈরা পায়বী লুচিংবী এল চাওবীনা হায়খি, ভোটকা মরী লৈননা থোকপা ঈরাং অমদা করিসু খঙজদ্রবা মহৈ তমজরিবা ইচা অমবু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎতোকপীবা অসি য়াম্না কন্না য়ানিংদে। মসিগুম্বা তাহৈ-উহৈদবা থৌদোক অসি মতুংদদি হৈরোক এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সি অমদি অতোপ্পা মফম অমত্তদা থোকহনবীগনু হায়রদুনা মীহাৎপা অদু মীয়াম মমাঙদা পুথোকপীদুনা হৈরোক্তা লৈরিবা ঈরাং অসি ঈংথ-তপথনবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা মহৈরোয় হাৎপা য়ানিংদে, মীহাৎপা চৈরাক পীয়ু, এন রোহিটকী মীহাৎ য়ানিংদে হায়না থাবা প্লে কার্দশিংসু শীজিন্নখিবগা লোয়ননা খোল্লাও কয়ামরুমসু লাউখি।

চীনগী লাল তোকসি থবক তৌরগা ওইনা উৎনসি : রোমেন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : ভোটরশিংবু কিহন-খঙহল্লগা ভোট ফংবা ঙম্লোই, মখোয়বু নুংশিনা লোইনরবত্তদা ভোট ফংবা ঙমগদবনি। করম্বা মীহুৎ খল্লগা মীয়ামগী থৌগল নীংথিনা তৌরক্কদগে খঙবা শীংজমৈগী মীয়ামনি। চীনগী লাল তোকসি থবক তৌরগা ওইনা উৎনসি হায়না শিংজমৈ এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইনাম রোমেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায়দা ৱাইখোম লৈকায় বুথ কম্মিটি ১৩/২৪ অমদি ১৩/২৫ অনীনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল কনফরেন্সকী থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ৱাখল তারবা শিংজমৈগী মীয়াম কিহল্লগা চৎলোই। অহোইনদুম অসিগুম্বা থবক চৎথরকপা কেন্দিদেটশিং মীয়াম্না ইন্থোরক্কনি। মখা তানা পোলিটিক্স তৌখিগে খল্লবদি গুন্দা তৌবিগনু, গুন্দাগী থবক হৌজিক্কী মতমগা চুনদ্রে হায়খি। গভর্ণমেন্টনা নহা অমদি নুপীশিংগী য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎলি অদুবু শিংজমৈগী নহা অমদি নুপী কয়া গভর্ণমেন্টকী খুদোংচাবা কয়া ফংদনা লৈরি। শিংজমৈগী সিটিং এম এল এনা মখোয়বু থৌওইদে হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লে। ইলেক্সন ময়াদা মীনুংশি উৎপিগনু, হৌখিবা চহী মরি মখায় অসিদা করি তৌদুনা লৈখিবগে। মীয়াম খঙনা থবকনা উৎসি, মদুনা মীয়াম্না নুংশিবা হেনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল কনফরেন্স অদুদা মোইরাংথেম শামু, পুয়াম খোমদোনবি, মোইরাংথেম ইবোতোম্বি অমসুং য়ুম্নাম শামুনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা লৌফমশিংদা নীংথম মরূ-মরাং হুনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা লৌফমশিংবু ফৌ লোকপা লোইরবা মতুংদা হাংহন্দুনা থম্বগী মহুৎতা অশং-অমান্তনা থনবা চীঙাক্তা মীপাল তাঙদবা এ সী অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা ঙসি নহারুপ মখাপাৎ লৌকোলশিংদা নীংথম মরূ-মরাংশিং হুনখ্রে।

এগ্রিকলচর অমসুং হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নরগা নীংথম মরূ-মরাংশিং লৌমীশিংদা ফংহনবগা লোয়ননা নহারুপ মখাপাৎকী লৌফমশিংদা মরূ-মরাংশিং হুনবা অদু এম এল এ ইন্দ্রজিৎনা হৌদোকখিবনি। নীংথম মরূ-মরাং ওইনা হঙ্গাম মরূ, হৱাই থরাক মরূ, চাকহাও-গেহু লৌফম পরি ৩০ রোমদা অহানবগী ওইনা হুনবা হৌদোকখিবা অদুগা মরী লৈননা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা হায়খি, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা লৌফমশিং ফৌ লোকপা লোইরবা মতুংদা হাংহন্দুনা থম্বগী মহুৎতা অশং-অমান্তনা পীক থলহন্ননবা চুনবা মখলগী মরূ-মরাংশিং হুন্দুনা চীঙাক্তা মীপাল তাঙদবা লমদম অমা ওইহন্ননবা থল্লিবা পান্দমগী মখাদা ক্ষেত্রিগাও এ সীদা হাংদুনা লৈরিবা লৌফমশিংদা নীংথম মরূ-মরাংশিং হুনবা হৌবনি। অহানবগী ওইনা থৱায় য়াওবা লৌমীশিংদা মথৌ তাবা মরূ-মরাংশিং পীদুনা থাহনগনি। মসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা লৌমীশিংগী শেন্থোক লম্বী খরদং ওইরবসু ফগৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি। এ সী অসিদা লৈরিবা থৱায় য়াওজবা লৌমীশিংনা মাগী মাগী লৌফমশিংগা চান্নবা মরূ-মরাংশিং থাননবা হোৎনবদা মথৌ তাবা তেংবাঙশিংসু অঙম্বা থাক্তা পাংগনি। লোয়ননা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংগা খুৎশম্নদুনা চাথোক লৈগদবা মরূ-মরাংশিংসু ফংহনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

নীংথম মরূ-মরাংশিং হুনখিবা অদুগা মরী লৈননা নহারুপ মখাপাৎকী লৌমীশিংনা ফোঙদোরকপদা, এম এল এ ইন্দ্রজিৎনা এ সী অসিদা লৈরিবা লৌমী মীয়ামগী য়াইফননবা অমদি শেল-থুম ফগৎহন্ননবগী পান্দমদা লৌমীশিংনা পোথোক কয়া পুথোক্কবা নীংথম মরূ-মরাংশিং ফার্মরশিংদা পীবীদুনা থাবা হৌহনবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। মখা তানসু এম এল এনা এ সী অসিদা লৈরিবা লৌমীশিংগী য়াইফননবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপীরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থম্মী হায়নসু ফোঙদোরকখি।

৪৯শুবা ফাউন্দেসন দে থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টরগী ৪৯শুবা ফাউন্দেসন দে থৌরম ঙসি কোংপাল পোরোম্পাৎতা লৈবা সেন্টর অসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

ইন্দিয়ানা নীং-খা তম্বগী চহী ৭৫ মপুং ফারকপগী অজাদি কা অমৃত মহোটসবকা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা কলচরেল প্রোগ্রাম কয়াগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা চীফ গেষ্ট, হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টরগী প্রসিদেন্ট এন মনিশ্যামনা থৌরম মপু অমদি তোপ নাওরিয়া গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান মংশাতাবম দিনেসচন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদু হৌদোকপগী ৱারোল পীরদুনা হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টরগী সেক্রেটরি এন হরিমতিনা হায়খি, হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টর লিংখৎখিবা চহী ৪৯ মপুং ফারকপগা লোয়ননা ঙসি ফাওবদা সেন্টর অসিনা তোঙান তোঙানবা আর্ট ফোর্মগী আর্টিষ্ট কয়া পুথোকখ্রে। সেন্টর অসিদগী থোকখিবা মহৈরোয় কয়ানা কলচরগা মরী লৈনবা ইন্সটিট্যুট কয়াদা মশক থোকপা ওজা ফাওবা ওইবগা লোয়ননা মতিক চারবা মীশক কয়া ওইখ্রে। সেন্টর অসিনা হেক লৈরিবমখৈ আর্টিষ্ট কয়া পুথোক্তুনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা আর্ট ফোর্ম কয়াবু হেন্না চাউখৎননবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা হায়খি, লমদম অসিগী অরিবা আর্ট ফোর্ম কয়াবু মাঙহন্দনা অমসুং য়োকখৎতুনা থম্নবা হোৎনবদা হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টরনা লৌরক্লিবা থৌদাং অসি য়াম্না চাউই। ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ৱাখাদা মণিপুর খক্তদা নত্তনা নোর্থ ইষ্টকী ওইবা অহানবা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি অমা শাননবগী থবক থৌরম পায়খৎপা হৌরে। মসি লমদমসিগী ওইনা য়াম্না লাইবক ফবনি। মণিপুরীশিংগী ফজরবা চৎনবী, নাৎ, কলচরগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ফিজেৎ-লৈতেং লৈজৈ। ওজা উবদা খুরুম্বগী ফজরবা থকশি-খাশি লৈজৈ। মদুগুম্বা ফজরবা থকশি-খাশি অদু হৌজিক খরা মাঙশিল্লকপগুম তৌই। মরম অসিনা ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা থকশি-খাশি, থৌগল্লোনশিং অদু ঙসিগী মীরোলনা মাঙহন্দনা থম্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ঙসিদগী হৌদুনা নুমীৎ হুম্নী চত্থগদবা ফাউন্দেসন দে থৌরমগী অহৌবা নুমীৎতা দিবা রাস উৎখি।

বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌবীগনু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারী ৩ অসি মণিপুরগী খৃষ্টিয়ন ওইবদা নত্তনা চীং-তম অমত্তনি হায়বা ৱাখল্লোন চেনখিবা অমসুং অপূনবগী শক্তম ওইরিবা অঙোম পোরোমগী ১২৫শুবা থৱায়দা নৌনা পোকখিবা নুমীৎ থোক্লে। নুমীৎ অসিদা অঙোম পোরোম সিং নীংশিং নুমীৎ সেলেব্রেসন কম্মিটি (এ পি এস এন এন সী সী)না শীন্দুনা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটিগী হোলদা কোভিদকী এস ও পি ঙাক্না কুম্ওন থৌরম পাঙথোকচগনি। মরম অসিনা কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারি ৩ অসিদা মখল অমত্তগী বন্দ নৎত্রগা জেনরেল ষ্ট্রাইকনচিংবা কৌবীগনু হায়না মণিপুর মীয়াম অমদি লূপশিংগী মফমদা আপীল তৌজরি হায়না কম্মিটি অসিগী সেক্রেটরি রেভরেন্দ রাজকুমর লুখোইসনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অরানবা পাউ শন্দোকপীগনু : কে এ ৱাই সী

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): ককচিং এসেম্বলী য়ুথ কোংগ্রেস (কে এ ৱাই সী)কী সেক্রেটরি সদাম হুসেন বি জে পিদা য়াওখিবা লৈতে। মীয়ামদা লান্না লমজিংনবা অরানবা পাউ শন্দোকপীগনু হায়না ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা কে এ ৱাই সীগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ চিংলেম্বনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি বি সী সী, ককচিংগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবা অমদা চিংলেম্বনা হায়খি, ককচিং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা মহাক্কী ফেসবুকতা ককচিং এসেম্বলী য়ুথ কোংগ্রেসকী সেক্রেটরি সদাম হুসেন বি জে পিদা য়াওরে হায়বা ষ্টেটমেন্ট অদু অরানবনি। সদাম হুসেন ইন্দিয়ন য়ুথ কোংগ্রেসতগী তোকখিবা লৈতে। সদাম হুসেন ৩৭/৩৪ সোরা মমাঙ লৈকায়দগী এম দি রৌসান্দগী মচানি। মহাক ককচিংগী এ ৱাই সীদা হৌজিক থৌ পুবা অমা ওইনা অদুম্মক লেঙদনা লৈরি অমদি কে এ ৱাই সীনা শীনবা প্রোগ্রাম খুদিংমক্তা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা শরুক য়ারি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা সদাম হুসেননা হায়খি, কনাগুম্বা মীওইশিংনা মহাকপু মিংচৎ থিনবা সোসল মীদিয়া অমদি মীদিয়াদা লান্না পাউ শন্দোকপীগনু। মহাক মশা কে এ ৱাই সীদগী তোক্লগা বি জে পিদা য়াওখিবা অমত্তা লৈতে। অসিগুম্বা য়ুম্ফম য়াওদবা পাউ অসি মতুংদা অমুক শন্দোকপীগনু। মসিগুম্বা মীখলগী পাউ অসি ককচিং এ ৱাই সীনা য়াম্না হকচিন্না লৌই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

নোংমগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল এৱ্যের্নেস ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): অজাদি কা অমৃত মহোটসবকী শরুক অমা ওইনা জোইন্ট এক্সন প্লান ওন দ্রগস এন্দ সবষ্টেন্স এব্যুজ অমং চিলদ্রেন এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগী মতাংদা নোংমগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল এৱ্যের্নেস ৱার্কশোপ অমা নেসনল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এন সী পি সী আর)না মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সী পি সী আর)গা খুৎশম্নরগা শীন্দুনা থম্বালমরিক কোলেজ ওইনামদা পাঙথোকখ্রে।

সেবা ভারতি মণিপুরনা ফেসিলিটৈদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা এৱ্যের্নেস ৱার্কশোপ অদুদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চ্যেরপর্সন পি ঐচ মনিবাবু শর্ম্মানা চীফ গেষ্ট, বিষ্ণুপুরগী দি সী রঞ্জন য়ুম্নামনা প্রসিদেন্ট, বিষ্ণুপুরগী দি এস পি, এল শান্তিকুমার অমদি থম্বালমরিক কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. টি ঐচ বিনারানিনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা বিষ্ণুপুরগী দি সী রঞ্জন য়ুম্নামনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা ঙসি ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিংনা দ্রগ শীজিন্নবগী চাং য়াম্না ৱাংলক্লিবা অসি লাইবক থীবনি। ইন্দিয়াগী ওইনা চহী ১৮গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংনা দ্রগ শীজিন্নবগী চাং অসি চাদা ০.৬৫ ওইবদা মণিপুরগী ওইনা চাদা ৩.৫৯ নি। মসি মতম চানা মোনিটর তৌদুনা অকনবা ষ্টেপ লৌখৎহৌদ্রবদি ঐখোয় নোংম-নোংমগী লৈখা তারক্কনি। স্কুল তম্লিবা অঙাংশিংনা দ্রগ শীজিন্নবা অসিদগী কন্ননবা হোৎনবদা ফেকল্টিশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। মমা-মপা ওইবশিং অমদি ওজাগী মরক্তা তোয়না মীফম ফমদুনা অঙাংশিংগী লমচৎ-শাজৎতা লৈবা অহোংবশিং খন্নবা তঙাইফদে। মসিনা য়াম্না কান্নগনি খল্লি। ঙসি মণিপুরদা দ্রগকী প্রোব্লেম চাউনা মায়োক্নরকপগী মরমশিংগী মনুংদা ঐখোয়গী ষ্টেটকী ইকনমি অসি বেকৱার্দ ওইবা, সষ্টেনেবল সোর্স ওফ ইনকম লৈতবা অমদি লায়না শেল ফংনবা হোৎনবদা দ্রগ পুথোক-পুশিন তৌবা মশীং য়াম্লকপা অসিসু অমনি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী দ্রগস এন্দ সবষ্টেন্স এব্যুজ অমং চিলদ্রেন এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগী মতাংদা মরী লৈনবা ষ্টেক হোল্ডরশিংগা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল রিভিয়ু মীটিং পাঙথোক্তুনা এক্সন প্লান লৌখৎপগা লোয়ননা হীরম অসিগা মরী লৈনবা লোশিং অমদি এক্টশিং দিষ্ট্রিক্ট অসিদা এনফোর্স তৌনবা হোৎনরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীদুনা এম সী পি সী আরগী চ্যেরপর্সন পি ঐচ মনিবাবু শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবদা, ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা ময়াই কাবা চীঙাক শীজিন্নরকপগী মরুওইবা মরমদি ফ্রীদা লৈবা, থবক অমত্তা মায়পুনদবা অসিনা অচৌবা মরম অমা ওইরি। ইন্দিয়ানা সুপর পৱার ওইবা লৈবাক অমা ওইরক্কনি হায়রগা লৈবাক অসিগী ইনখৎলক্লিবা তুংগী য়ুম্বী ওইরিবা নহাশিংনা দ্রগতা লাইচুরবদি লৈবাক অসি করি ওইগনি। মরম অদুনা ঐখোয়গী খুন্নাই অসি কনগে হায়রবদি ঐখোয় পুন্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই। নহাশিংবু ময়াই কাবা দ্রগকী ঈপাক্তগী কলহৌসি। স্কুল, কোলেজ ময়াদা ফম্লিবা দুকানশিংদা য়োল্লিবা পোৎলমশিং নীংথিনা মোনিটর তৌহৌসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

তুংদা এস ভি ঈ ঈ পি কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা ৱার্কশোপ অদুদা শরুক য়াখিবা মীপুম খুদিংমক্না নেসনল ভোটর ওইবগী ৱাশকসু লৌমিন্নখি।

ADMISSION OPEN

FOR THE FOLLOWING COURSES

1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com
PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
HL-B/7330/3-31(alt) KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL





SMART
TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPERMARKET

1st POSITION HOLDER HSLC 2019 (BOSEM) BHUMIKA SHAMURAILATPAM

2nd POSITION HOLDER HSLC 2019 (BOSEM) SHOPHIYA ASEM

ADMISSION OPEN

- MEDICAL & ENGINEERING course for 2021-2022
- FOUNDATION CUM REVISION course for CLASS X & XII
- NEW FOUNDATION course 2022 (HALF/FULL COURSE OPTIONAL) for CLASS X, XI & XII

CLASS STARTS: 16 DEC 21 , 22 DEC 21 , 10 JAN 22

ALL SUBJECTS

BOSEM/COHSEM/CBSE

SCIENCE & ARTS

CALL: 8730999192, 03857966211

HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST

HL-P/0870/9/12-9/01